# সনালৈবাক স্পোর্টস

IMPHAL, SATURDAY, SEPTEMBER 22, 2018 PAGE 7






*এসিয়া কপকি শান্নখিবা মেটচ অমদা অফগানিষ্টান টিমনা কাংলাদেসপু মায়থিবা পীবদা অচৌবা মতেং ওইহনখিবা অফগানিষ্টানগী স্পিন্নর রাসিদ খান*

*ইন্দিয়াগী মশক নাইরবা ক্রিকেট্টর কয়া পুথোকখ্রবা অমসুং শান্নবগীদমক কখোল্লিবশিংবু শকখঙবা ওইনা দ্রোর্নাচার্য্য এব্রার্দ পীনবগীদমক মমিং লাংথোকখ্রবা টারাক সিংহ*

## এএফসি য়ু–১৬ চেম্পিয়ন্সিপ্তা ইন্দিয়ানা ভিয়েটনামবু পাঞ্জল ১–০ দা মায়থিবা পীদুনা কেম্পেইন হৌদোকখ্রে

*কোলালম্পুর, সেপ্টেম্বর ২১ঃ*

মালেসিয়ানা য়ুম্বু ওইদুনা ঙরাংদগী হৌখিবা এএফসি য়ু–১৬ চেম্পিয়ন্সিপকী ঙসি শান্নখিবা গ্রুপ ‘সি’ গী মেটচ অমদা ইন্দিয়াগী চহী ১৬ মখাগী নুপামচা ফুটবোল টিম্না ভিয়েটনামগী চহী ১৬ মখাগী ফুটবোল টিম্বু পাঞ্জল ১–০ দা মায়থিবা পীদুনা কেম্পেইন হৌদোকখ্রে।

ঙসি শান্নখিবা মেটচ অদু হৌরকপদা ভিয়েটনামগী শান্নরোইশিংনা বোল হেন্না পায়দুনা ইন্দিয়াগী মায়োক্তা পাঞ্জল চনশিন্নবা হোৎনরকখি।

শান্নবগী ৬শুবা মিনটতা ভিয়েটনামগী শান্নরোইশিংনা চথ্খরকখিবা এটেক অমদা পাঞ্জল ওইরমগদবা য়াবা সোট অমা গোলপোষ্ট লান্না চৎখিবদগী খুদোংচাবা অমা মাঙজখি।

শান্নবগী ১৭ শুবা মিনটতা ইন্দিয়াগী শান্নরোইশিংনা চথ্খরকখিবা এটেক অমদা গিবসন অমসুং রিক্কিনা পুশিল্লকখিবা বোল অমা মায়োক্লবা ভিয়েটনামগী দিফেন্দরশিংনা থিংখিবদগী ইন্দিয়ানা পাঞ্জল মাঙজিল থারম্বা য়াবা অহানবা খুদোংচাবা অমা মাঙজখি।



*এএফসি য়ু–১৬ চেম্পিয়ন্সিপকী মেটচ অমদা ভিয়েটনামবু পাঞ্জল ১–০ দা থোইরম্বা ইন্দিয়াগী য়ু–১৬ ফুটবোল টিম*

টিম অনীগী মায়কৈদগী অহানবা হাল্ফ অদু শান্নরকপদা অমনা অমগী মায়কৈদা বোল পুশিন্নদুনা এটেক কয়া চথ্খদুনা শান্নরকখ্রবসু পাঞ্জল চনশিনবা ঙম্নদনা হাল্ফ অদু লোইশিনখি।

অনীশুবা হাল্ফ শান্নরকপদসু টিম অনীগী মায়কৈদগী অকনবা লম্বা মায়োক্নদুনা শান্নরকখ্রবসু মতম কুইনা পাঞ্জল চনশিনবা ঙম্নদনা লৈখি।

শান্নবগী ৮৮শুবা মিনটতা ইন্দিয়া টিমগী কেপ্টেন বিক্রম প্রতাপনা ভিয়েটনামগী দিফেন্দরশিং অদু নমখায়দুনা পুশিল্লকখিবা বোল অমদা য়াম্না মরুওইবা পাঞ্জল অদু চন্দুনা মেটচ অদু ইন্দিয়ানা ভিয়েটনামবু পাঞ্জল ১–০ দা মায়থিবা পীখি। ইন্দিয়ানা গ্রুপ ‘সি’গী অনীশুবা মেটচতা এসিয়াগী ফুটবোলদা পৱারহাওস ওইরিবা ইরানগা থা অসিগী ২৪ দা শান্নরগনি।

## কিদম্বী স্রিকান্থ অমসুং পি ভি সিন্ধু চাইনা ওপনগী ক্বার্টর ফাইনেল মেটচশিংদা মায়থিখিবদগী টুর্নামেন্ট অসিদগী মপান থোকখ্রে



*ইন্দিয়াগী স্রিকান্থপু থোইরম্লগা সেমি ফাইনেল য়ৌখ্রবা জপানগী কেন্টো মোমোটা*

*চাংঝৌ, সেপ্টেম্বর ২১ঃ*

চাইনাগী চাংঝৌদা চথ্খরিবা য়ুএস দোলর ১,০০০,০০০ গী শেলগী মনা লৈবা চাইনা ওপন বেদমিন্টন টুর্নামেন্ট অসিগী ক্বাটর ফাইনেল রাউন্দশিংদা ইন্দিয়াগী সট্টলর কিদম্বী স্রিকান্থ অমসুং পি ভি সিন্ধু মায়থিখিবদগী টুর্নামেন্ট অসিদগী মপান থোকখ্রে।

চাইনা ওপন অসিগী ঙসি শন্নখিবা নুপাগী ক্বাটর ফাইনেল মেটচ অমদা তরেৎশুবা সিদেদ ওইরিবা ইন্দিয়াগী সট্টলর কিদম্বী স্রিকান্থ অহুমশুবা সিদেদ জপানগী কেন্টো মোমোটাগী মখুৎতা ষ্ট্রেট গেমদা মায়থিহৌবনি।

মেটচ অদুগী অহানবা গেম শান্নবদা ইন্দিয়াগী কিদম্বী স্রিকান্থনা ফনা কন্না হোৎনরবসু মঙোন্দগী থাক ৱাংনা লৈবদা নত্তনা হেন্না এক্সপরিয়েন্স লৈরবা জপানগী সট্টলর কেন্টো মোমোটাগী মখুৎতা ৯–২১দা মায়থিহৌখি।

অহানবা গেম থোইদুনা লৈরবা জপানগী সট্টলর কেন্টো মোমোটানা ঙসি শান্নখিবা মেটচ অদুগী অনীশুবা গেম অদুসু য়াম্না লায়না ২১–১১দা মায় পাকখি। ক্বাটর ফাইনেল মেটচ অদুগী অহানবা অমদি অনীশুবা গেম জপানগী কেন্টো মোমোটানা থোইখিবনা ইন্দিয়াগী সট্টলর কিদম্বী স্রিকান্থ চাইনা ওপনগী ক্বাটর ফাইনেল মেটচ ০–২দা মায়থিহৌবনি।

নুপাগী সিঙ্গলসকি ঙসি শান্নখিবা অতোপ্পা ক্বার্টর ফাইনেল মেটচ অমদা চাইনাগী সী য়ুকীনা হোং কোংগী এঙ্গস ঙাকালোংবু ২১–১৭,২১–১৫দা থোইদুনা সেমি ফাইনেল চংবা ঙমখ্রে।

টুর্নামেন্ট অসিগী ঙসি শান্নখিবা নুপীগী সেমি ফাইনেল মেটচ অমদা ইন্দিয়াগী পি ভি সিন্ধু চাইনাগী সট্টলর চেন য়ুফেগী মখুৎতা ১–২দা মায়থিহৌরে।

চাইনা ওপন বেদমিন্টন টুর্নামেন্ট অসিগী য়ুম্বু লৈবাক চাইনাগী মহুৎ শিন্দুনা শান্নরিবী মঙাশুবা সিদেদ চেন য়ুফৈনা হোম ক্রাউদকি সপ্পোর্ট হেন্না ফংখি। ক্বার্টর ফাইনেল মেটচ অদুগী অহানবা গেম চেন য়ুফৈনা ২১–১১দা থোইখি।

অহানবা গেমদা মায়থিহৌরবী ইন্দিয়াগী সট্টলর পি ভি সিন্ধুনা হেন্না চেকশিন্না শান্নরকপদগী নুপীগী ক্বার্টর ফাইনেল মেটচ অদুগী অনীশুবা গেম ২১–১১দা থোইখি।

গেম অমমম থোইনদুনা লৈখ্রবা সট্টলরশিং অসিনা মেটচ অসিগী দিসাইদিং গেম ওইগদৌরিবা অহুমশুবা গেম থোইনবা অকনবা লম্বা মায়োক্লখি। গেম অদু থোইনবা অঙম্বা পাঙ্গল পুথোক্তুনা য়াম্না অকনবা লম্বা অমা মায়োক্লরবা মতুংদা ইন্দিয়াগী পি ভি সিন্ধু চাইনাগী চেন য়ুফৈগী মখুৎতা ১৫–২১দা মায়থিহৌখি।

নুপীগী ক্বার্টর ফাইনেল মেটচ অদু চাইনাগী চেন য়ুফৈনা গেম ২ মায় পাকখিবনা সেমি ফাইনেল চংবা ঙমখিবনি।

নুপীগী অতোপ্পা ক্বার্টর ফাইনেল মেটচ অমদা জপানগী সট্টলর এ য়ামাগুচিনা চাইনাগী হী বিনগীলাউবু ২১–১৯,২১–১৫দা থোইখিবদগী সেমি ফাইনেল চংবা ঙমখ্রে।

চাইনা ওপন টেন্নিস টুর্নামেন্ট অসিগী নুপাগী দবলসকি ক্বার্টর ফাইনেল মেটচ অমদা চাইনিজ টাইপৈগী পেয়র চেন হুং লিং অমসুং ৱাঙচি লিননা চাইনাগী পেয়র হী জিটিং অমসুং টান কিয়াঙবু ১৯–২১,২১–১২, ২২–২০দা থোইখ্রে।

নুপাগী দবলসকি অতোপ্পা ক্বাটর ফাইনেল মেটচ অমদনা দেনমার্ককি পেয়র ওইরিবা কিম অসত্রুপ সোরেনসন অমসুং এন্দর্স স্কারুপ রামুসসেননা চাইনাগী পেয়র লী জুনহুই অমসুং লিন য়ুচেনবু ষ্ট্রেট গেম ২১–১২,২১–১৩দা থোইখ্রে।

চাইনা ওপন বেদমিন্টন টুর্নামেন্ট অসিগী নুপীগী দবলসকি ঙসি শান্নখিবা ক্বাটর ফাইনেল মেটচ অমদা দেনমার্ককি শান্নরোই মাইকেন ফ্রুয়রগার্দ সোরেনসেন অমসুং সারা থাইগেসেন জপানগী পেয়র মিসোলৈ মাটসুটোনু অমসুং অয়াকা টাকাহাসিগী মখুৎতা ২১–১৬, ১৪–২১, ১৫–২১দা মায়থিহৌখি।

টুর্নামেন্ট অসিগী ঙসি শান্নখিবা মিক্স দবলসকি ক্বার্টর ফাইনেল মেটচ অমদা চাইনাগী পেয়র ঝাঙ নান লি য়িন হুই অমসুং লি য়িন হুইনা জপানগী পেয়র য়ুটা ৱাটানাবে অমসুং অরিসা হিগাসীনোবু ষ্ট্রেট গেমদা মায়থিবা পীখি।

চাইনাগী পেয়র অদুনা শান্নখিবা মেটচ অদুগী অহানবা গেম ২১–১৮দা থোইখি। সেট অমা থোইদুনা মাঙজিল থারিবা চাইনাগী সট্টলরশিংনা হেন্না ফজনা শান্নরকপদগী মেটচ অদুগী অনিশুবা গেমসু ২১–১৩দা য়াম্না লাইনা থোইবা ঙমখিবনি।

অহানবা অমদি অনিশুবা গেম মায় পাকখিবনা মেটচ অদু চাইনানা থোইবদগী সেমি ফাইনেল য়ৌবা ঙমখি। দেনমার্ককি খৃষ্টিয়ানসেন অমসুং পেদরসেনগী পেয়রগা চাইনাগী পেয়র ওইরিবা ৱাঙ অমদি হুৱাঙগা শান্নবা মেটচকি অথোইবা পেয়রদুগা চাইনাগী পেয়র অসিগা সেমি ফাইনেলদা থেংনগদবনি।

## রুশিয়াদা থল্লম্বা অথিংবা লৌথোকখ্রে

*লোজেন, সেপ্টেম্বর ২১ঃ*

ৱার্ল্ড এন্টি –দোপিং এজেন্সি (দব্লিউ এ দি এ)না রুসিয়ান এন্টি দোপিং এজেন্সিদা থল্লবা অথিংবা অদু লৌথোকখ্রে। অথিংবা থল্লম্বা অদু দব্লিউ এ দি এগী এক্সিক্যুটিব কম্মিটিগীনা ভোট লৌনরবা মতুংদা লৌথোকখিবনি। দব্লিউ এ দি এনা রুশিয়ান এন্টি দোপ্পিং এজেসি (রুশাদা)বু ইং ২০১৫গী নভেম্বরদা ষ্টেট–স্পোন্সর দোপিং চথ্খবগী মরাল শীরকপদগী সস্পেন্দ তৌখিবনি।

দব্লিউ এ দি এগী প্রসিদেন্ট ক্রেগ রীদাইনা হায়খিবদা মশিং য়াল্লবা ভোট রুসিয়াগী ফেভরদা ফংখিবদগী অথিংবা লৌথোকপনি। মহাক্না মখা তানা হায়খিবদা, রুসাদাবু দব্লি এ দি এনা অথিংবা থল্লম্বদগী লৌথোকখিবসি ৱাদাগী কোদ ওফ কন্দক্ট অমসুং ৱার্ল্ড দোপিং এজেন্সি অসিগী কমপ্লাইন্স রিভিউ কম্মিটি ( সি আর সি)গী রিকমেন্দেসনদগীনি।

মখা তানা রুসিয়া ওঠোরিটি অমসুং পার্টনরশিংনা পুন্না কন্না হোৎনখিবদগী থাজনিঙাই ওইবা হেনগৎলকপা, তুং কোইনা চৎকদবা এন্দি দোপিং প্রোগ্রাম রুসিয়াদা লৈরক্কনি হায়বগী থাজবা থল্লকপা লোয়নন্না হান্না লৈরম্বা এন্টি দোপিং সিষ্টেমদগী শিংথানিঙাই ওইনা ফগৎলকপা ঙম্বননি হায়রি। অদুবু রুসিয়াননদি ষ্টেট স্পোন্সর দোপিং চথ্খবগা মরি লৈননা মরাল শিরকপশিং অসি য়ানিংদে হায়না মেক লারেন রিপোর্টতা পল্লি।

## টারাক সিনহাদা দ্রোর্নচার্য্য এৱার্দ পীরগনি

*ন্যু দিল্লি, সেপ্টেম্বর ২১ঃ*

অফবা ক্রিকেট শান্নরোই কয়া পুথোকপা ঙমখ্রবা টারাক সিনহাদা দ্রোর্নচার্য্য এৱার্দ পীরগনি হায়না লাউথোকখ্রে। দ্রোর্নচার্য্য এৱার্দ অসি অফবা শান্নরোইশিং পুথোকপগীদমক ইন্দিয়া গভর্নমেন্টনা পীবা খ্বাইদগী চাউবা মনানি।

টারাক সিংহনা দ্রোর্নচাযয্য এৱার্দ ফংবা মঙাশুবা ক্রিকেট কোটচ ওইরে। মহাক্কি মমাঙদা দ্রোর্নচার্য্য এৱার্দ ফংখ্রবা ক্রিক্কেট কোচশিংদি দেস প্রেজ অজাদ, গুরচরন সিংহ, রামাকান্ট অচ্রেকর অমসুং সুনিটা শর্ম্মানি।

পনবা য়াই মণিপুরগী ৱেঠলিফ্টর মিরাবাই চনু অমদি ক্রিকেট্টর ভিহাট কোহলি খেল রত্ন পীনবগীদমক খনখ্রবনি।

## বি সি সি আইগী অনৌবা কন্সটিট্যুসনগী মতাংদা খন্নরগনি

*মুম্বাই, সেপ্টেম্বর ২১ঃ*

সুপ্রিম কোর্টনা খনবা কম্মিটি ওফ এদমিনিষ্ট্রেটর (সি ও এ)গী মিটিং মুম্বাইদা লৈবা ক্রিকেট সেন্টরদা থা অসিগী ২৫দা পাঙথোক্তুনা জষ্টিস লোধা ক্রিকেট রিফোর্মস অমসুং বি সি সি আইগী অনৌবা কন্সটিট্যুসনগী মতাংদা খন্নদৌরি।

বি সি সি আই মেম্বরখরনা জষ্টিস লোধা ক্রিকেট রিফোর্ম অমসুং বি সি সি আইগী অনৌবা কন্সটিট্যুসনগা মরি লৈননা পীখৎলকপা কমপ্লাইন্স রিপোর্ট য়াওনা কম্মিটি ওফ এদমিনিষ্ট্রেটরশিংগী মীফমদা খন্নরবা মতুংদা ষ্টেটস রিপোর্ট এপেক্স কোর্টতা পীখৎকদবনি।

## ফুটবোল রেফরিশিংবু ঙাকপী–শেনবীবা অমদি পূক্নিং থৌগৎপীবা মথৌ তাই

এল. কালা সিংহ, উরিপোক

ফুটবোল মশান্নগী ওইবা রেফরি, রেফ হাইরগসু খঙনরিবসিগী থৌদাংসি মশান্নসিগী রুলস থুগাইদুনা শান্নরকপা মতমদা রুলসকী মতুংইন্না অথু–অথুবদা খুদক্কী ওইবা ৱারেপ বিচার লৌবা ঙম্বা, শান্নরিবা শিংনরিবা মায়কৈ অনী অদুবু অচান মিরাই নাইদবা (ন্যুত্রেল) মওংগী ওইবা খুদক্তা ৱায়েনবা ঙম্লিবগী দাইত্য লৈরবা ওথোরিটি অমনি হায়বসি ঙসিগী লমদমসিদা ফুটবোল মশান্নগীদমক থৱায় য়াওনা কৎথোকপা অমগা লোয়নননা চেনলি চোংলিবশিং, মশান্নসিবু পামজনা শান্নরিবা শান্নরোইশিং অমদি থৱাই তানা মীৎয়েং তারিবা মীপুম খুদিংনা মনুং হুৎনা খঙবীদুনা লমদমসিদা ফুটবোল মশান্নসিগীদমক কৎথোকপা অমগা লোয়নননা চোংথোরক্লিবা রেফরি কম্যুনিটি অসিবু মতম খুদিংদা পূক্নিং থৌগৎপীবগা লোয়ননা ইকাই খুম্নবীবা মথৌ তাই। ফুটবোল মশান্না অমা ওইহন্নবগীদমক চোকথবা লৈতনা শান্নরোই অমদগী তাদনা চেন্দুনা চোংদুনা হোৎনরিবা রেফরিনি। রেফরি য়াওদনা ফুটবোল শান্নবা হায়বসি কৈদৌনুংদসু মপুং ফারবা নুংঙাইরবা ফজরবা ফুটবোল শান্নবা অমা হায়বদুনা ওইরোইদবনিনা মসি চুম্লবা ৱাফমনি। মরমসিনা ফুটবোল শান্নবা অমদি রেফরি হায়রিবা অনীসি থাদোক্লবা য়াদবা মতম চুপ্পদা লোইনদুনতা লৈরগদবা অমনি হায়বসি শান্নরোইশিংনা খঙবগা লোয়নননা শান্নরিঙৈ মনুংসিদা য়াম্না অৱাংবা থাক্কী বিচারপতি (জজ) অমনি হায়না লৌরগা থকশি খাশি খঙনা থৌগল্লোন ব্যেবহার খঙনা চৎতুনা শান্নগদবনি। রেফরি অমদা ইকাই খুম্নবগী মচৎ চৎনবা অসিগীদমক টিমশিংগী কোচ, মেনেজর, টিম্বু মতেং পাঙলিবা ওফিসিয়েলশিং অমদি টিম পুথোক্লিবা ক্লবকী থৌবুরেল খূদিংমক্না মতম চুপ্পদা মাগী মাগী শান্নরোইশিংদা অফবা পাওতাক অসি পীবীগদবনি। মসিদতা শান্নরোই অমসুং রেফরিশিংগী মরী ফগৎপা ওইদুনা ফজরবা ফুটবোল শান্নবা অমা ওইগদৌরিবনি। ফিফা কংগ্রেসনা মশান্নসিগীদমক খ্বাইদগী অৱাংবা থাক্কী লেজিসলেচর অমা ওইনা মশান্নসি হেন্না হেন্না মগুন লৈনবা ফজবা মশান্না অমা ওইনবা চৎন–পথাপ শেমদুনা মতম মতমগী ওইনসু শেমদোক শেমদোক্তুনা তরু তরু তরং তরং লৈনবা ফিফা কাওশিলনা হোৎনরিবশিং অসিগী মরিক চুম্বা ৱারোল কয়া কোর্চশিংনা ফুটবোল তম্বীবা মতমদা পারা অমা ওইনা তম্বীবসু মথৌ তাই। শান্নরোইবু ৱারকপা ৱাতেম্বা হায়বসিদা কোচশিংগী অচৌবা দায়ত্য মসিমসু কোচ খুন্নাইনা কাওবিরোইদবনি। মতম পুম্বদা কোচ মেনেজর, টিম ওফিসিয়েল পুম্নমক্না রেফ্রিবু ঙাক শেন্দুনা শান্ননবগী ৱাখল্লোন লৈবা তাই চেনবা তাই। রেফ্রি লৈত্রবদি বোল শান্নবা লৈরোই বোল শান্নবা লৈত্রবদি কোচ লৈরোই পুম্নমকসি মশান্নসিগীদমক কলেক্টিপ ফোরমেটিপ অমনি হায়বা তাই। করিগুম্বা শান্নরিঙৈ মতমদা রেফ্রিশিংগী খংহৌদবা অশোইবা অমনা মরম ওইদুনা শান্নরোইশিংগী মাইকৈদগী নত্রগা টিম ওফিসিয়েলশিংগী মাইকৈদগী নৎত্রগা ক্লব সেম্পেথাইজরশিংগী মাইকৈদগী নৎত্রগা অয়েংবা ভাবকশিংগী মাইকৈদগী থোকহন্নীংদবা পামদবা থৌদোক কয়া থোক্তবসু নৎতে। অসিগুম্বা পামদবা থৌদোক অসিদা মীশি মীনা ফাওবা য়াওরিবনি। ফিল্ম মনুংদগী শান্নরোই অমসুং টিম ওফিসিয়েলদগী থোরকপা পামদবা থৌদোকশিংদি লাকশিনবদা খর খুদোংচাবা লৈরবসু ফিল্ডগী মপানদগী ওইবা ভাবোকশিংদগী হোৎচিলল্লক্তুনা থোরকপা পামদবা থৌদোকসিমদি লাকশিনবা অৱাবা অমনি। পুম্নমক ফুল প্রুফ সেক্যুরিটি পীবা হায়বাসিমদি ওইথোকপা লৈত্রবসু পামদবা থৌদোক অসিগী চাং হন্থহনবা ঙম্নবগীদমক ফুটবোল টুর্নামেন্ট অমা পাঙথোকপা তারবদি শিনলি লাংলিবশিং অমদি মরি লৈনরিবা পুম্নমক্না রেফ্রি প্রোটেক্সনগীদমক য়াম্না কুপ্না খন্নদুনা শান্নগদৌরিবা ফিল্ড অকোইবা অকনবা মওংগী ওইবা ফেনশিং তৌবা তাই, ঙাক শেনগদবা সেক্যুরিটি পারসনেলশিং মশিং য়ামহনবগা লোইননা করম্না ঙাক শেনগদগে হায়বগী দ্রিল মাংজৌননা তৌদুনা ঙাক শেলহনবা তাই অদুগা নাকন অমরোমদা মতম চুপ্পদা রেফ্রিগী প্রোফেশন্দা লৈরবা কাংলুপনসু মখোই য়াম্না ইন্দিপেন্দেন্ট ওইবা অঠরিটি অমনি মখোইনা পীবা দিসিজননা অরোইবনি কনা অমতনা য়েৎপা য়ারোই হায়বসিনা অচুম্বা ওইরগসু কা হেনবা ওইবা শান্নরোইশিংদা অশাওবা মওংগী ওইবা মাইথোং উৎপা, অতম্মনা খুদোম্বীশিংবানচিংবা অকনবা ৱা হায়বনচিংবা অসি তৌরোইদবনি। মতম চুপ্পদা রেফ্রিগী প্রোফেসন্দা লৈরবশিংনা হেক ঙল্লীবমখৈ খংহৌদবা অশোইবা থোক্তনবা চাং হনথহন্নবা উপাই অখং অহৈ মোৎ পুথোক্লদুনা হোৎনবা চংই। টুর্নামেন্ট শিনলিবা ক্লব ওর্গনাইজেসন অমদি এপেক্স বোদি ওইরিবনা মতম মতমগী ওইবা অহোংবা অমসুং হোংদবা ফিফা রুলস এন্দ রিগুলেশন মীয়াম পাক শন্না খংনবা পাম্বৈ শিজিন্নদুনা খঙহনবা মথৌ তাই।

ফুটবোল শান্নবগী মচৎ অসি তরু তরু তরং তরং চৎপা ওইনবা ফিফানসু রেফ্রিশিংবু মতেং পাংবা পুম্নমক্কী পুক্নিং ৱাখল চমথোক্লবা মওংগী ওইবা টেক্নোলোজি কয়া শিজিন্নদুনা হেক য়ারিমখৈ হোৎনরিবা ভেনিসিং স্প্রে ডি অর এস, হেদ ফোন দিসিজন রিভিউ তৌবা মতাং মতমগী মতুং ইন্না অয়াবা পীরিবা পুম্নমক ফজরবা ফুটবোল মশান্না অমা ওইনবগীদমক্কি। ফিফাগী অহোংবা অসিগী খুদোংচাবা ফংদ্রিবা লমদমসিদা ফুটবোলগীদমক হোৎনবদা রেফ্রিবুসু থাক ৱাংনা থম্বা খনবা অমদি পুম্নমক্না মথৌ তারি। পীকচরবসু মণিপুর ফিফা রেফ্রি লৈরবনি।

পুম্নমক্না মাগী মাগী থাক্তা অয়েৎপা য়াওদনা মনিং তৌনা মশান্নসি হেন্না চাওখৎনবা থবক থৌরম পাঙথোকপা অমসুং টুর্নামেন্ট পাঙথোকপা তারবসু মশান্নসিগীদমক সুপ্রীম ওইরিবা ফিফাগী ইন্টরেষ্ট শোক্তনবা ফিফাবু ইকাই খুম্নবা লোইননা চৎন–কাংলোনবু ঙাক্না চৎপা হায়বসিমদি পুম্নমক্না কাওরোইদবনি।

## য়ুরোপা লীগ ফুটবোলদা ইংলেন্দগী ক্লব আর্সনেলনা য়ুক্রেনগী ভোর্সক্লাবু পাঞ্জল ৪–২ দা থোইখ্রে, সিভিলা অমসুং স্পোর্টিং সিপিসু মায় পাকখ্রে



*য়ুরোপা লীগ ফুটবোলগী মেটচ অমদা আর্সনেলগী শান্নরোইশিংনা পাঞ্জল চল্লবা মতুং হরাওবা ফোঙদোকমিন্নবা*

*লন্দন, সেপ্টেম্বর ২১ঃ*

য়ুরোপ্তা পাঙথোকপা ক্লবশিংগী ওইবা অনীশুবা থাক্তা লৈরিবা য়ুরোপা লীগ ফুটবোলগী ঙসি শান্নখিবা মেটচ অমদা ইংলেন্দগী ক্লব আর্সনেলনা য়ুক্রেনগী ক্লব ভোর্সক্লাবু পাঞ্জল ৪–২ দা মায়থিবা পীখ্রে। অতোপ্পা মেটচশিংদা স্পেনগী ক্লব সিভিলা অমসুং পোর্টুগালগী ক্লব স্পোর্টিং সিপিসু মখোয়–মখোয়গী লীগ মেটচশিং মায় পাকখ্রে।

ঙসি লন্দনদা লৈবা ইমিরেটস ফুটবোল ষ্টেদিয়মদা শান্নখিবা য়ুরোপা লীগ ফুটবোল টুর্নামেন্টকী গ্রুপ ‘ই’গী মেটচ অমদা ইংলেন্দগী ক্লব আর্সনেলনা য়ুক্রেনগী ক্লব ভোর্সক্লাবু পাঞ্জল ৪–২ দা মায়থিবা পীখি।

মেটচ অদু হৌবদগী হৌনা আর্সনেলগী শান্নরোইশিংনা বোল হেন্না পায়দুনা এটেক তৌবগী চাং ৱাংখি। অহানবা হাল্ফ শান্নরকপদা মিনট ৩০ হেন্না টিম অনীগী মায়কৈদগী পাঞ্জল অমত্তা লৈনখিদ্রবা মতুং শান্নবগী ৩২শুবা মিনটতা আর্সনেলগী শান্নরোই পিয়েরি ইমেরিক ওবামেনা পাঞ্জল অমা চন্দুনা অহানবা হাল্ফ লোইশিনখিবদা আর্সনেলনা ভোর্সক্লাবু ১–০ দা মাঙজিল থাবা ঙমখি।

অনীশুবা হাল্ফ শান্নবা হৌরকপা মেটচকী ৪৮শুবা মিনটতা আর্সনেলগী শান্নরোইশিংগী মখা তাবা এটেক অমদা দেন্নি ৱেলবেকনা পাঞ্জল অমগা চন্দুনা ২–০ দা মাঙজিল থাখি।

ভোর্সক্লাগী শান্নরোইশিংনা পাঞ্জল হন্দোকপা ঙমদনা লৈরিঙৈ শান্নবগী ৫৬শুবা মিনটতা আর্সনেলগী মায়কৈদগী অহানবা পাঞ্জল চনবা ঙমখিবা পিয়েরি ইমেরিক ওবামেনা পাঞ্জল অমগা চনশিন্দুনা য়ুক্রেনগী ক্লব ভোর্সক্লাবু ৩–০ দা হেন্দুনা খুদুম চন্দুনা থম্বা ঙমখি।

শান্নবগী ৭৪শুবা মিনটতা আর্সনেলগী শান্নরোই মেসুট ওজিলনা পাঞ্জল অমগা চন্দুনা ৪–০ দা মাঙজিল থাখি। পাঞ্জল ৪ শোথ্খরবা ভোর্সক্লাগী শান্নরোইশিংনা কন্না হোৎনরক্তুনা ৭৭শুবা মিনটতা ভোলোদিমির চেসনাকোভনা পাঞ্জল অমা হন্দাক্লবা মতুং টিমমেট ভিয়াচেস্লাভনা শান্নবগী অরোইবা মীৎকুপ্তা পাঞ্জল অমগা হন্দোকপা ঙমখিবদগী মেটচ অদু ইংলেন্দগী ক্লব আর্সনেলনা য়ুক্রেনগী ক্লব ভোর্সক্লাবু ৪–২ দা মায়থিবা পীখি।

য়ুরোপা লীগ ফুটবোল টুর্নামেন্ট অসিগী ঙসি শান্নখিবা গ্রুপ ‘জে’ গী লীগ মেটচ অমদা স্পেনগী ক্লব সিভিলানা বেলজিয়মগী ক্লব ষ্টেন্দর্দ লিজবু পাঞ্জল ৫–১ দা মায়থিবা পীখি।

সিভিলাগী পাঞ্জলশিং অদু শান্নবগী ৮শুবা মিনটতা ইভর বানেগানা অহানবা, ৪১শুবা মিনটতা ফ্রাঙ্কো ভাজক্কেজনা অনীশুবা, ৪৫ অমসুং ৭০শুবা মিনটতা ৱিসাম বেন য়েদ্দরনা অহুমশুবা অমসুং মরিশুবা পাঞ্জল চল্লগা মঙাশুবা পাঞ্জল অদুনা ইভর বানেগানা চনবা ঙমখি। ষ্টেন্দর্দ লিজগী অমত্তা ঙাইরবা পাঞ্জল অদুনা শান্নবগী ৩৯শুবা মিনটতা মোসা জেনেপোনা চনবা ঙমখি।

য়ুরোপা লীগ ফুটবোল টুর্নামেন্ট অসিগী ঙসি শান্নখিবা গ্রুপ ‘ই’ গী লীগ মেটচ অমদা পোর্টুগালগী ক্লব স্পোর্টিং সিপিনা অজরবাইজানগী ক্লব ক্বারাবাগ এফকেবু পাঞ্জল ২–০ দা মায়থিবা পীখি।

অহানবা হাল্ফ টিম অনীগী মায়কৈদগী অকনবা লম্বা মায়োক্নদুনা শান্নখ্রবসু পাঞ্জল অমত্তা চন্নদনা লোইশিনখি। অনীশুবা হাল্ফ শান্নবা হৌরকপদা মেটচকী ৫৪শুবা মিনটতা স্পোর্টিং সিপিগী শান্নরোই রাফিনহানা মেটচকী অহানবা পাঞ্জল চন্দুনা মাঙজিল থাখি।

মখা তানা শান্নরকপদা ৮৮শুবা মিনটতা স্পোর্টিং সিপিগী শান্নরোই জোভানে কাব্রালনা পাঞ্জল অমগা চনশিন্দুনা মেটচ অদু পোর্টুগালগী ক্লব স্পোর্টিং সিপিনা অজরবাইজানগী ক্লব ক্বারাবাগ এফকেবু ২–০ দা মায়থিবা পীরমখি।